# সি এ এ চৎনহন্দুনা ইন্দিয়ানা তৌফম থোকপা থৌদাং অদু পাঙথোক্লে ঃ রাজনাথ সিংহ



*মীরত, জনুৱারি ২৩(এজেন্সি)ঃ*

দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাকিস্থান, অফগানিষ্টন অমসুং বংলাদেসতা লাইনিংগী মশীং য়ামজদবা মীওইশিং অৱাবগী পূন্সি অমদা হিংলি অমসুং সি এ এ (সিটিজেনসিপ এমেন্টমেন্ট) এক্ট অদু চৎনহন্দুনা মখোয়গীদমক লৈবাক অসিদা পাংথোকফম থোকপা থৌদাং অদু ইন্দিয়ানা পাংথোক্লে হায়খ্রে।

মফম অসিগী সতাবতি নগরদা সি এ এ শৌগৎপগী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্না নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজস (এন আর সি)গী মায়োক্তা লেপ্লিবশিং অদুদসু ৱাহং হংখি অমসুং মদু গভর্ণমেন্টনা খন্নখিদ্রি হায়খি।

সি এ এগী খূৎথাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মচেৎ তাহনবগী থৌরাং অমা চঁখে হায়না শীরকখিবা মরানশিং ককথৎলদুনা রাজনাথ সিংহনা লন্নাইগী কান্নবশিংগীদমক বি জে পিনা লাইনিংগী নাকন্দা পোলিটিক্স তৌদে হায়খি।

এন দি এনা মখোয়গী অহানবা লৈঙাক পায়রকখিবা মতম অদুদা সিটিজেনসিপকী লো অসি থৌরাং তৌখিবনি, অদুবু মদু এক্ট ওন্থোকপা ঙমখিদে হায়না রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা মীয়ামগী থম্মোই জয় তৌদুনা পোলিটিক্স তৌবা পাম্মি হায়খি অমসুং পার্টি অসিনা শকখিবা ৱাশক পূন্নমক অদু পাংথোক্লবগী থবক তৌরি হায়না তিল্লিবা মীয়াম অদুদা মহাক্না থাজবা পীখি।

পোলিটিকেল পার্টি অমনা মীখল মায়োক্লরকপা মতমদা মখল কয়াগী ৱাশকশিং শকই। ২০১৯গী লোক সভা মীখলগী বি জে পিগী মেনিফেষ্টো শেন্দ্বগী থৌদাং অদু ঐঙোন্দা পীখি। খল্লক্লবগী থা ৭কী মনুংদা বি জে পিনা মীখলদা শকখিবা ৱাশকশিং অদু থুনা মপুং ফাহন্নবা হোৎনরকখি হায়না রাজনাথ সিংহনা মখা তাখি।

লৌমীশিংগী য়াফনবগীদমকসু বি জে পিনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি হায়রদুনা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হৌজিক লৌমী ইচিন-ইনাওশিংনা ৱাবগী মথৌ তাদ্রে। ঐখোয়না নখোয়গী অকনবা থবকশিং অদুগী পেনি খুদিংমক নখোয়দা ঐখোয়না পীরগনি হায়খি।

সি এ এদা ইন্দিয়ান সিটিজেনসিপ পীগদবা লিষ্ট অদুদা মুস্লিম মাইগ্রেন্টশিং য়াওদে। মদু লাইনিংগী য়ুমফমদা মীচং-মীখায় নাইদুনা নৈহৎপা অমসুং কনষ্টিট্যুসননা য়াদবা থৌওংনি হায়না সি এ এগী মায়োক্তা লৈপ্লিবশিংনা হায়রি।

মখোয়না এন আর সিগা পূশিন্নরগা সি এ এনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মুস্লিম কম্যুনিটিদা পান্দম থন্নবগী অনিংবা লৈ হায়নসু মরান শীরি।

অদুম ওইনমক শীরক্লিবা মরান পূন্নমক অদু সেন্ট্রেল গভর্ণমন্টেনা ককথৎখ্রে অমসুং অনৌবা লো অদুদি য়ুলোন্নবা লৈবাক ৩ অদুদগী ওৎপীরবা মানোরিটিশিং অদুদা সিটিজেনসিপ পীনবগীনি, কনাগুম্বা অমদগী সিটিজেনসিপ লৌথোক্লবা নৎতে হায়না মহাক্না হায়খি।

# ওপোজিসনন অমিত শাহদা মফম-মতম অমা হেক্তদা সি এ এগী দিবেট তৌনবা য়াই হায়না পাউখুম পীখ্রে



*লক্ষ্ণৌ / হায়দরবাদ, জনুৱারি ২৩(এজেন্সি)ঃ*

শেমদোক্লবা সিটিজেনসিপ লো (সি এ এ)গী মতাংদা দিবেট অমা তৌনশি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ওপোজিসনদা শীংনখিবগী নোংঙানবদা বি এস পি চীফ ময়াবতি অমসুং এ আই এম আই এম প্রসিদেন্ট অশাউদ্দিন ওৱাইসিনা ঙরাং অমিত শাহগা শীংনবা অদু য়াখ্রে। অদুম ওইনমক সমাজৱাদি পার্টি (এস পি) চীফ অখিলেশ যাদবনসু বি জে পিদা দিভলপমেন্টকী মতাংদা ওইনা দিবেট অমা তৌন্নবা শীংনখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা লক্ষ্ণৌদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাংথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা রাহুল গান্ধী, মমতা বেনর্জি অমসুং অখিলেশ যাদবতা সি এ এগী মতাংদা মহাক্কা দিবেট তৌনসি হায়না শীংনখি।

মদুগী পাউখুমদা বি এস পি লুচিংপুরেল ওইরিবী ময়াবতিনা লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা, মরুওইনা নুপীশিং অমসুং নহরোলশিংনা মায়োক্তা লেপ্পুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবা চয়েৎনরবা সি এ এ, এন আর সি, এন পি সি অদুগী মতাংদা দিবেট তৌনসি হায়বা সেন্টরগী শীংনবা অদু বি এস পিনা য়াই। মদুগী দিবেট অদু প্লেটফোর্ম অমা হেক্তদা, মফম অমা হেক্তদা পাংথোকপা য়াই হায়খি।

মহাক্কী ওইনা এ আই এম আই এম প্রসিদেন্ট অশাউদ্দিন ওৱাইসিনা হায়খি, রাহুল গান্ধী অমসুং মমতা বেনর্জিগা সি এ এগী মতাংদা দিবেট তৌননবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা থৌরাং তৌরে হায়বা অদু মেদিয়াগী মীওইশিংনা ঐঙোন্দা পাউ পীরক্লে হায়রদুনা মখোয়দা ঐহাক মফম অদুদা লৈ হায়না খঙহনখ্রে।

মহাকপু দারিৱালা (মকোইচোন্বা) নুপা অদুগা হান্না দিবেট তৌনহনসি হায়না ওৱাইসিনা হায়খি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হায়দরবাদতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাক্না হায়খি, অসাউদ্দিন ওৱাইসি অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কৌ অমসুং দিবেট তৌনহল্লু। সি এ এ, এন পি আর (নেসনেল পোপুলেসন রেজিষ্টার) অমসুং এন আর সি (নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স) য়াওনা হিরম খুদিংমক দিবেট তৌনসি হায়খি।

অদুম ওইনমক সমাজৱাদি পার্টিগী চীফ অখিলেশ যাদবনা দিবেট অমগীদমক বি জে পিদা শীংনবদা সি এ এ পনখিদে। মখোয়না মফম অমসুং প্লেটফোর্ম অদু লেপচরকসনু ঐখোয় থৌরাং তৌদুনা লৈ হায়খি।

লৈবাক্কী শেন-থুমগী ফিভম, থবক ফংদবগী ৱাথোক অমসুং দিমোনিটাইজেসনগী মতাংদা খন্নসি হায়বদা বি জে পিনা চেনখ্রবনি হায়না ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লক্ষ্ণৌদা সোসিয়েলিষ্ট লুচিংবা জানেশ্বর মিশ্রদা ঈকাইখুম্নবা উৎলবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাক্না হায়খি।

ঐহাক্না বি জে পি মেম্বরশিংদা দিবেট অমগীদমক মফম অমসুং প্লেটফোর্ম অদু লেপ্পক্লবা হায়রি, মখোয়না মখোয়গী চান্নজবা চেন্নেলশিং অমসুং এঙ্করশিং কৌবসু য়াই অমসুং দিভলপমেন্টকী মতাংদা দিবেট তৌনসি হায়না মহাক্না হায়খি।

# ‘দিল্লিদা লাক্লিবদি কমল নাথ ঙকশম পায়দুনা চিংথগনি’



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৩(এজেন্সি)ঃ*

দিল্লি এসেমব্লি মীখলগীদমক কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা ষ্টার কেম্পেনরশিংগী লিষ্টতা মধ্য প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর কমল নাথকী মিং য়াওরকখিবগী পুং খরগী তুংদা দিল্লি সিখ গুরুদ্বারা মেনেজমেন্ট কমিটি (সি এস জি এম সি) প্রসিদেন্ট অমসুং অকালি দল লুচিংবা মনজিনদর সিংহ সিরসানা করিগুম্বা সিটি অসিদা মীয়ামগী মীফম অমদা মহাক্না ৱা ঙাংবা তারবদি মহাক্কী মঙকশম অদু পায়দুনা কমল নাথপু চিংথোক্কনি হায়না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা কমল নাথপু দিল্লিদা কেম্পেন তৌবা য়াহল্লোই হায়বা ৱাফম থল্লদুনা অকালি দল লুচিংবা সিরসানা ঐখোয়না কোংগ্রেস পার্টিদা শীংনরি মদুদি করিগুম্বা মওং অমত্তদা কমল নাথপু দিল্লিগী মফম অমত্তদা পব্লিক রেল্লি অমত্তদা ৱা ঙাংবা য়াহল্লোই।

মীয়ামগী মীফম মতমদা কমল নাথপু থারক্কবা অমসুং ষ্টেজদা থোকহন্নবা হোৎনৌ হায়না কোংগ্রেসতা ঐখোয়না শীংনরি, মদু ওইরবদি ঐখোয়না মহাকপু মাগী মঙকশম পায়দুনা চিংথরক্কনি হায়না খ্বাইদগী অকনবা ৱাহৈদা অকালি দল লুচিংবা সিরসানা হায়খি।

মিষ্টর সিরসানা মখা তারদুনা- কোংগ্রেস পার্টিনা সিখশিং হাৎখিবা মীওইশিং অদু য়োকখৎখিবনি। মহাক (কমল নাথ)কী মায়োক্তা য়ান্না কন্না খোঙজং চংশিল্লবা তুংদা মহাক্কী কেস অদুদা ঐখোয়না হাংদোক্কবা হোৎনখিবনি। কোংগ্রেসনা করিগুম্বা মতমদনা মহাকপু টিকেট পীদুনা, করিগুম্বদনা মহাকপু মিনিষ্টর অমা ওইহন্দুনা হন্না-হন্না মহকপু য়োকখৎখিবনি হায়খি।

# ঝরখন্দদা থায়নদগী চৎনরকপা *পথলগরহি* গী মতাংদা খৎনরকপদা খূঞ্জা-মীওই ৭ হাৎখ্রে

*রাঞ্চি, জনুৱারি ২৩(এজেন্সি)ঃ*

ঝরখন্দদগী ৱেষ্ট সিংভুম দিষ্ট্রিক্তা লমদম অদুগী থাইনদগী চৎনরকপা ‘পথলগরহি’ হায়বা নুংদা হক্তুনা খুনগী ঙমখৈ তাকপগী থৌওং অদুগী মায়োক্তা লেপ্পি হায়বগীদমক খূঞ্জা ৭ হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইনস্পেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (ওপরেসন) শাকেট কুমার সিংহনা হায়খি, খূঞ্জা ৭ হাৎখ্রে অমসুং মখোয়না হকচাংশিং অদু উমং অমগী মনুংদা হুন্দোকখ্রে হায়বগী মতাংদা পাউ ফংলবগী তুংদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা বুরুগুলিকেরা খূঞ্জংদা পুলিসনা চৎখি।

হাৎখিবা মীওই ৭ অদুগী মনুংদা পঞ্চায়তকী মীহুৎ অমসু য়াওখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

অহিং চুপ্পা থিবা-হুন্বগী ওপরেসন চথরবা মতুংদা পুলিসনা উমং অমদগী খূঞ্জা ৭ অদুগী হকচাংশিং অদু ফংখি। হায়রিবা উমং অদু খূল অদুদগী কিলোমিটর ৪ রোম লাপ্পা মফমদা লৈবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা ফংবা মখা তাবা পাউগী মতুং ইন্না পথলগরহিগী মতাংদা খূঙ্গং অনী নাকপাক তানা য়েৎনরকপদগী লৈবাকপোকপা নুমিৎ অদুদা বুরুগুলিকেরা হায়বা খুন অদুদা পথলগরহি মুভমেন্টকী মতাংদা খূঞ্জাশিংগী মীফম অমা পাংথোকখি হায়রি।

মীফম অদু পাংথোক্লিঙৈগী মতম অদুদা পথলগরহি হায়বা থাইনগী চৎনরকপা থৌওং অদুবু শৌগৎপশিংনা থোমজিল্লক্লগা মীফম পাংথোক্লিবা খূঞ্জাশিংগী মনুংদগী খূঞ্জা ৭ ফারগা পুখিবনি হায়না ৱেষ্ট সিংভুম সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস ইন্দ্রজিৎ মহাতানা হায়খি।

চৈ অমসুং শিংজংনচিংবা শিজিন্নদুনা পথলগরহিগী শৌগৎপা মীওইশিং অদুনা মীহাৎ অদু চংখিবনি হায়না পুলিস ওফিসার অদুনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা ঝরখন্দ চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা সোরেননা আইননা পূন্নমক্কী মথক্তা লৈ অমসুং মরানলৈবশিং অমত্তা লেন্না থারোই। পুলিসনা হিরম অদু থিগৎলি হায়খি। অসিগুম্বা থৌদোক অমা অমুকহন্না থোকপা থিংনবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাংথোক্লগনি হায়না মহাক্না থাজবা পীখি।

‘পথলগরহি’ হায়রিবসিগী ৱাহন্থোক্তি নুং অমদা হক্তুনা ইবনি। মসি ঝরখন্দগী ট্রাইবেল কাঙলুপশিংগী চৎনরকপা থাইনগী থৌওং অমনি। হায়রিবা অহকপা নুংশিং অদুনা মফমদুগী খূনগী পঞ্চায়তনা মশানা লৈঙাকচবা অদু ফোঙদোকই, খুন অদুবু সোভরেন টেরিটোরি ওইনা লাওথোকই অমসুং মপানগী মীওইশিং খুন অদুদা চংবদা অথিংবা থম্মি।

# অমিত শাহনা য়েক্লবা মরন-মথুম ৯,৪০০ হেন্না য়োন্থোকপগী থবক য়েংশিনগনি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৩(এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক্কী শেনগী পুক্কেদা লুপা ক্রোর লাক্ষ অমা রোম ফংহল্লবা য়ারিবা য়েক্লবা লন-থুম ৯,৪০০ হেনবা য়োনবগী থবক অদু হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা লুচিংবা গ্রুপ ওফ মিনিষ্টরস (জি ও এম) অমনা য়েঙশিল্লগনি।

ওফিসিয়েল ওর্দর অমগী মতুং ইন্না ‘এনিমি প্রোপর্টি এক্ট’কী মখাদা কষ্টোদিয়ান ওফ এনিমি প্রোপর্টি ফোর ইন্দিয়াদা শিন্নরিবা ইম্মোভেবল এনিমি প্রোপরটিশিং য়োন্থোক্লবগীদমকসু কেবিনেট সেক্রেটরি রজিব গৌবানা লুচিংবা অমা অমসুং য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় ভল্লানা কো-চিয়ার ওইবা অতোপ্পা অমগা পুন্না হায় লেবেল কমিটি অনীসু শেমখ্রে।

য়েক্লবা মরন-মথুম হায়বশিং অসি পাকিস্থানগী অমসুং চিনাগী সিটিজেনসিপ লৌখ্রবা মীওইশিংনা থল্লম্বশিং অদুনি।

হোম এফিয়ারস মিনিষ্ট্রি, ইকোনোমিক, এক্সপেন্দিচর, পব্লিক ইন্টরপ্রাইজেজ দিপার্টমেন্টশিং, লিগেল এফিয়ারস, কোপোরেট এফিয়ারস নচিংবগী মীহুৎশিংনা ইন্টর-মিনিষ্টরিয়েল গ্রুপ অদুগী মেম্বরশিং ওইগনি।

কেবিন্টে সেক্রেটরিনা চিয়ারমেন ওইবা অতে সেক্রেটরিশিং য়াওবা কোর গ্রুপ ওফ সেক্রেটরিজ ওন এসেট মোনিটাইজেসন (সি জি এ এম) অমসু শেমগনি।

হোম মিনিষ্টর, ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱে মিনিষ্টরনা শাবা অতোপ্পা মেকানিজম অমসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অদুনা শেম্বা য়াই হায়দুনা ওর্দর অদুনা হায়খি।

পাকিস্থানি নেসনেলশিংনা থল্লম্বা মরন-মথুম ৯২৮০ অমসুং চাইনিজ নেসনেলশিংনা থল্লম্বা মরন-মথুম ১২৬ লৈ। হায়রিবা য়েক্লবগী মরন-মথুম পূন্নমক অসিগী চাওরাকপা মমল অসি লুপা ক্রোর লাক্ষ ১ রোম ওইগনি হায়না ২০১৮দা মতমদুগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম হন্সরাজ গঙ্গারাম অহিরনা রাজ্য সভাদা খঙহনখিবনি।

পাকিস্থানি নেসনেলশিংনা থল্লমখিবা মরন-মথুম অদু উত্তর প্রদেশতনা ৪৯৯১ ওইদুনা খ্বাইদগী য়াম্মি, মথঙদা ২৭৩৫ ওইদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈ, দিল্লিদা ৪৮৭ লৈ, চাইনিজ নেসনেলশিংনা থল্লমখিবা মরন-মথুম ১২৬কী মনুংদা মেঘালয়াদা ৫৭, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ২৯ লৈ, অসামদা ৭ লৈ।

# ব্রিটেন পার্লিয়ামেন্টনা ব্রেক্সিট বিল য়াখ্রে



*লন্দন, জনুৱারি ২৩(এজেন্সি)ঃ*

শাথিবা দিবেটশিংগী চহী কয়াগী তুংদা বৃটিস লোমেকরশিংনা মমৈথংদা অরোইবা ওইনা মখোয়গী লৈবাকনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী ইতিহাসিক ওইরবা তোক্লবগী খোঙথাং অদুগী টার্মশিং অদু ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অয়াবা পীখ্রে।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী বৃটেননা তোক্লবগী থারিবা মতম অদু নুমিৎ ৯নিদা ঙাইরবনি।

বৃটিস পার্লিয়ামেন্টকী লাৱার হাউস-হাউস ওফ কম্মন্সতা এম পিশিংনা ই য়ু ৱিদ্রোৱেল এগ্রীমেন্ট বিল (দব্লিয়ু এ বি) অদু হান্না শৌগৎখ্রবনি। বিল শৌগৎখিবা অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা হৌখিবা থাদা ব্রুসেলসকা তৌনখিবা তোক্লবগী দিল অদু চেৎশিনহনখ্রে।

অদুমকপু ইলেক্সন তৌদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খল্লকখিবা নত্তবা-হাউস ওফ লোর্দস (অপ্পর হাউস)না ব্রেক্সিট মতুংদা ই য়ু সিটিজেনশিং অমসুং অঙাং রিফ্যুজিশিংগী হকশিংগী মতাংদা য়াওনা চয়োল অসিদা খরা হোংদোক-হোংজিন তৌরবা য়াই।

ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মথং-মথং পাংথোকখিবা ভোট লৌনবশিংদা বোরিস জোন্সনগী কঞ্জার্ভেটিবসনা অচৌবা মেজোরিটি অমা লৈরিবা কম্মন্সনা এমেন্দমেন্ট ৫ লোয়নমক য়াখিদে অমসুং বিল অদু লোর্দসতা অমুক থাদখি। মদুদা লোর্দসশিংনা পামদা-পামদনা য়াখি।

হৌজিক ফোর্মেল ওইনা বিল অসি য়াবগী লম্বীদা লৈরিবা অমত্তা ঙাইরবা অপনবদি কুইন ইলিজবেথ-টুগী রোয়েল এসেন্ট অসিনি। জনুৱারি ৩০ ফাওবগী মনুংদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন থাদোক্লবা বৃটেনগী লম্বী অদু ফাৎতুনা রোয়েল এসেন্ট অদু ঙসি শগোলশেল নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা থুনমক তৌরকপা য়াই।

ব্রেক্সিট (বৃটেননা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী তোক্লকপা)গী শৌগৎপশিংনা ব্রেক্সিট অদু হৌনবি মতুং ইন্না এক্ট ওইনা চৎনগদৌরবা জনুৱারি ৩১দা পুং ২৩.০০দা লন্দনগী বিগ বেন (অচৌবা কাংশি) অদু খিংনবগী অচঙবা শেনফম ফংনবা মীয়ামদগী শেন খায়বগী কেম্পেন হৌখিবগী মতুং লন্দনগী পার্লিয়ামেন্ট স্কৱারদা মীয়ামনা অমগা অমগা নুংঙাইবা ৱাখলশিং ফোঙদোক্লখি।

হৌজিক য়ুরোপিয়ান পার্লিয়ামেন্টনা মথঙ চয়োলদা ভোট অমদা দিল অদু শৌগৎকদবা ৱাৎলি। অদুবু লন্দনদা মসিগী অয়াবা পীখিবা অসি মেম্বর ২৮ লৈবা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন থদোকপদা বৃটেননা অহানবা লৈবাক অদু ওইগদবা খিৎতং ঙাইশিল্লকপগা ইতিহাসিক ওইরবা মীৎকুপ অমনি।

মসি চহী কয়াগী পোলিটিকেলগী য়েৎনবা কয়া লোয়শিন্নবা ৱাশক্কা লোয়ননা হৌখিবা চহীদা ওফিস পায়রকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগীদমক মহাক্কী লন্নাইগী ওইবা অচৌবা মায় পাকপা থবক অমনি।

বৃটিস মীয়ান্না ব্রেক্সিটকী থবক পাংথোক্কবগীদমক চহী ৩ হেন্না ঙাইনরকখিবনি। ৱিদ্রোৱেল এগ্রীমেন্ট বিল (দব্লিয়ু এ বি)অদু পাস তৌদুনা ঐখোয়বু মসি কাংলোন চুম্না নে-তাবা মওং অমদা জনুৱারি ৩১দা পাংথোকপা য়াহল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সনগী ৱাঙাংলোইনা হায়খি।

ব্রেক্সিট দিল হায়রিবসিনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন (ই য়ু) সিটিজনশিংগী হকশিং অদু ঙাকথোকই, বৃটিস প্রোভিন্স নোরদর্ন অয়রলেন্দগীদমক লল্লোন-ইতিক্কী অখন্নবা থৌরাংশিং থল্লি অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমগী ই য়ু দেব্টশিং অদু কোকথোকই।

# য়ু এন কোর্টনা রোহিঙ্গা জিনোসাইদ থিংনবা ম্যান্মরদা ওর্দর তৌখ্রে



*দ হেগ, জনুৱারি ২৩(এজেন্সি)ঃ*

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মকোক থোংবা কোর্টনা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা ম্যান্মারদা বুধিষ্ট লৈবাক অসিগী মাইনোরিটি রোহিঙ্গা মুস্লিমশিংবু পাক্তন্না হাৎপগী থবক -জিনোসাইদ চঁখে হায়বদু থিংনবা খুদক্তা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

য়ুমথংনবা বংলাদেশতা রোহিয়া ৭৪০,০০০ রোম লাঞ্জেন্নহনখিবা ২০১৭গী মিলিটরি ওপরেসন অমগী মতাংদা ম্যান্মারনা ৱায়েল মায়োক্লখিবা অদুদা ঙসি ওর্দর অসি অহানবনি।

দ হেগদা লৈবা ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসনা, ১৯৪৮ জিনোসাইদ কনভেন্সনগী মখাদা মুসিলমনা মরুওইবা অফ্রিকান ষ্টেট দ গম্বিয়ানা লৌখৎনবা হায়জরকখিবা ইমজেন্সিগী খোঙথং কয়ামুক অদু য়াখি। কনভেন্সন অদুনা তাক্লিবা থবক পূন্নমক অদু তৌবা থিংনবা মখোয়গী শক্তি মনুংদা লৈবা থবক পূন্নমক শোয়দনমক ম্যান্মারনা পাংথোক্কদবনি হায়না প্রিসাইদিং জজ অবদুলকৱি অহমেদ য়ুসুফনা হায়খি।

মসিগী মনুংদা গ্রূপ অদুগী মীওইশিং হাৎপা অমসুং অতন্নবা কাঙলুপ অদুগী মথক্তা শোকহন্নবা থবক তৌবা য়াওরি। ম্যান্মারদা লৈবা রোহিঙ্গাশিং শাথিবা মওংদা অকিবগী ফিভমদা লৈরে হায়বসি কোর্ট অসিগী মতনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। কোর্ট অসিনা ম্যান্মারদা চয়োল ৪গী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎলক্লবা, মদুগী মতুংদা থা ৬ খুদিংগী মদু পীখৎলক্লবা ওর্দর তৌখি।

ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিস অসি মালেমগী ২শুবা লাঞ্জাও মতুংদা লিংখৎখিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা য়েৎনবশিংগী মতাংদা ৱায়েননবা য়ু এনগী মকোক থোংবা জুদিসিয়েল ওর্গাননি।

ম্যান্মারগী সিভিলিয়ান লুচিংবী নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবী ওং সান সু চিনা পাকশন্না রেপ তৌবা, মৈ থাবা, মীয়াম পুল্লপ হাৎপনচিংবা মহাক্কী লৈবাক্কী মথক্তা শীরকখিবা মরানশিং অদু ঙাকথোক্লবা মশামক্না মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা দ হেগতা চৎখি।

ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসকী ওর্দরসশিং অসি বাইন্দিংনি হায়বদি তৌদবা য়াদবনি, অদুম ওইনমক মসিবু নমদুনা চৎনহন্নবগী শক্তিদি কোর্ট অসিদা লৈতে।

# পরাগুৱে জেলদগী লৈনুং-টন্নেল ফাওরগা খুদোঙথিনিংঙাই ওইরবা বন্দি ৮০ রোম চেনখ্রে



*এসুনসিয়ন, জনুৱারি ২৩(এজেন্সি)ঃ*

ব্রাজিলগা তাইনবা ঙমখৈ মনাক্তা লৈবা পরাগুৱেগী জেল অমদগী ব্রাজিলগী দ্রগ অমসুং আর্মস ট্রাফিকিংগী অচৌবা গেং অমগী মীওই কয়ামরুম য়াওনা য়ান্না খুদোঙথিনিংঙাই ওইরবা বন্দি ৮০রোম নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে।

ব্রজিলিয়ানশিং অমসুং পরাগুৱেনশিং অনীমক য়াওবা বন্দিশিং অদুনা পেট্রো জুৱান কেবালেরো কৌবা ঙমখৈগী সিটি অদুদা লৈবা জেল অদুদগী মখোয়না লৈনুংদা তৌথরগা শেম্বা টন্নেল অমা ফাওদুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা চেনখিবনি হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোই এলেনো এন্দ্রদানা হায়খি।

চেনখিবা বন্দিশিং অদু পুন্না ৭৬নি। মদুগী মনুংদা ব্রাজিলিয়ান ৪০ অমসুং পরাগুৱেন ৩৬নি। টন্নেল অদু হুৎপদা বন্দিশিং অদুনা শোয়দনমক চয়োল কয়ামুকলোম চংলমগনি। মদুদা ষ্টাফনা করিমতা খংখিদবা অমসুং করিমতা তৌখিদবা অসি করিদগীনো হায়রদুনা পরাগুৱাগী জষ্টিস মিনিষ্টর সেসিলিয়া পেরেজনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। জেল অদুগী ৱার্দেন অদু থবক থদৎখ্রে অমসুং জেলগী গার্দ ময়াম অমা ফাখ্রে।

চেনখিবা বন্দিশিং অদুগী অয়াম্বদি ব্রাজিলগী খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা গেংশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা ফার্ষ্ট কেপিটেল কম্মান্দ হায়না খঙনবা ক্রিমিনেল গেং অমদা য়াওবশিংনি।

জেল অদু লৈরিবা পেট্রো জুৱান কেবালেরো হায়রিবসি পরাগুৱেগী কোনুং এসুনসিয়েনদগী অৱাং - নোংপোকতা কিলোমিটর ৫০০ রোম লাপ্পি। মসিগী অরানবা থৌরাং অসিদা ওফিসিয়েলশিং চেন্নগনি হায়না জষ্টিস মিনিষ্টর সেসিলিয়া পেরেজনা মাগী অকনবা চিংনবা ফোঙদোকখি।

নাম্থোকখ্রিবশিং অদুগী মনুংদা শান পেদ্রো প্রিজনদা হৌখিবা চহীগী জুনদা থোকখিবা পাক্তন্না হাৎপা মীহাৎ অমদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং য়াওরি হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোই নুপী এলেনো এন্দ্রাদানা হায়খি।

ঐখোয়না মুভিশিং অমসুং সেনিমাশিংদা উরিবা অদুগা চপ মান্নবা বন্দিশিং অদুনা মনুংদা মৈনচিংবা ফজনা থানবা টন্নেল অমা তৌখি। টন্নেল অদু জেল অদুগী ঈরুজফম কা অমদগী হৌই। টন্নেল অদুগা খ্বাইদগী নক্লবা জেলগী গার্দ পোষ্ট অদুগা লাপ্পরিবা অদু সুপ্নগী মিটর ২৫ খক্তনি হায়খি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 04/11/19
Valid : 02/11/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Heingang Indane**
Booking : 14/12/19
Valid : 09/12/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Bashikhong Indane**
Booking : 29/11/19
Valid : 20/11/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 24/11/19
Sl. No. : 63339
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Canchi Indane**
Booking : 04/12/19
Valid : 24/11/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Imphal LPG Service**
Booking : 13/12/19
Valid : 08/11/19
Sl. No. : 1036
Stk : 306 / 19kg- 134
Time : From 08.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 26/12/19
Valid : 14/12/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**R B D Indane Service**
Booking : 27/11/19
Valid : 14/11/19
Stk. : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Mahalaxmi Indane**
Booking : 04/12/19
Valid : 25/11/19
Sl. No. : 285680
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 20/12/19
Valid : 07/12/19
Stk : 306
First Come First Serve

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 14/11/19
Sl. No. : 9720
Valid : 13/11/19
Sl. No. : 9301
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-366**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | 8 | 6 | | | | 5 | |
| | 3 | | | 5 | | | 4 | 1 |
| 5 | | 6 | | 4 | | 8 | | |
| | | 3 | 5 | 8 | | | | 4 |
| 9 | 8 | | | | | 1 | 6 | |
| 2 | | 1 | | | | 5 | | |
| | 5 | | | | 4 | | | 8 |
| | | | 8 | 1 | 5 | | | |
| 8 | | | | | 3 | 4 | | |

**সনা-সুদোকু-৩৬৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 6 | 2 | 4 | 7 | 9 | 5 | 1 |
| 5 | 2 | 7 | 8 | 1 | 9 | 6 | 4 | 3 |
| 9 | 1 | 4 | 5 | 6 | 3 | 8 | 7 | 2 |
| 3 | 8 | 9 | 6 | 7 | 4 | 1 | 2 | 5 |
| 7 | 6 | 2 | 9 | 5 | 1 | 3 | 8 | 4 |
| 1 | 4 | 5 | 3 | 2 | 8 | 7 | 9 | 6 |
| 2 | 5 | 1 | 7 | 8 | 6 | 4 | 3 | 9 |
| 4 | 7 | 3 | 1 | 9 | 5 | 2 | 6 | 8 |
| 6 | 9 | 8 | 4 | 3 | 2 | 5 | 1 | 7 |